# য়ু এস কন্ত্রেক্তরশিংনা লৈরিবা বাঘদাদকী অৱাং থংবা শরুক্তা রোকেট ৬ কাপশিল্লক্তুনা এটেক চথরকখ্রে



বাঘদাদ, মে ০৪ (এজেন্সী) :

পুং ২৪ গী মনুংদা অনীরকশুবা ওইনা ঙরাং নুমিদাংৱাইরম ইরাক্কী কোনুং বাঘদাদ মনাক নক্লা লৈবা বলাদ এয়র বেজদা রোকেট ৬ কাপশিল্লক্তুনা এটেক চথরকখ্রে হায়না ইরাক্কী সেক্যুরিটি ওফিসলশিংনা ফোঙদোরক্লি।

ওফিসলশিং অসিনা মখা তানা ফোঙদোকখিবদা বলাদ এয়র বেজ মনাক্তা য়ু এস কম্পনি অমদা ফোরেন কন্ত্রেক্তরশিং থবক শুদুনা লৈরিঙৈদা এটেক অদু চথরকখিবনি। রোকেট এটেক অদুনা মরম ওইরগা ফোরেন কন্ত্রেক্তর অমা অশোক অপন নংখ্রে।

য়ু এস কম্পনি সেলিপোর্টতা অতম্নন টার্গেট থম্লগা রোকেট এটেকশিং অদু চথরকখিবনি। অহানবগী ওইনা ফোরেন কন্ত্রেক্তরশিংনা লৈরিবা এয়র বেজ অদুদা রোকেট ৩ কাপশিল্লকখি। মদুদা ইরাক্তা য়ু এসতগী লৈখিবা এফ ১৬ এয়র ক্রাফট মেন্টেন তৌনবগী লৈরিবা ফোরেন কন্ত্রেক্তর অমা শোকখিবনি।

মদুগী মতুং মিনিট ১৫ রোম লৈরগা রোকেট ৩ অমুক কাপশিল্লকখি। অদুবু এয়র বেজদা রোকেট অহুম অদুনা তাশিনবগী মহুক্তা মনাক নকপা মফম অমদা তাশিনখি। থৌদোক অসিগা মরী লৈননা পেন্তাগোনগী ৱাঙাঙলোয় কম্মান্দর জেসিকা মেক নলটিনা ফোঙদোকখিবদা বলাদতা য়ু এস ক্রুপশিং অমদি কোলিসন ক্রুপশিং দিপ্লোয় তৌদে। অদুমওইনমক মফম অদুদা য়ু এস সিটিজেন খরদি থবক তৌদুনা লৈরি। এটেক অদুদা য়ু এস সিটিজেনশিং অদু কা হেন্না অশোক অপন নংখিবগী পাউ লৈতে হায়রি।

হৌখিবা নোংমাইজিং নুমিত্তসু বাঘদাতা লৈবা য়ু এসনা লুচিংবা কোলিসন ক্রুপশিংগী লৈফম অমদা রোকেট অনী কাপশিল্লক্তুনা এটেক চথরকখি। লাইবক ফবদগী এটেক অদুদা অশোক অপন অমত্তা নংখিদে। হৌজিক ফাওবগী ওইনদি এটেক অদু কনানা চথরকখিবনো হায়বা খঙবা ঙমদ্রি। অমদি গ্রুপ অমত্তনা এটেক অদুগী মতাংদা ক্লেম তৌরকপসু লৈত্রি।

জো বাইদেননা য়ু এস প্রসিদেন্ট ওইখ্রবা মতুং ইরাক্তা লৈরিবা কোলেসন ক্রুপশিংগী বেজশিংদা এটেক চথুবগী চাং হেনগৎলক্লি। এটেক অদু করি মরমগীদমক করম্বা গ্রুপনা চথখিবনো হায়বদু হৌজিক ফাওবগী ওইনদি চপ চানা খঙবা ঙমদ্রি। অদুবু য়ু এস ফোর্সশিংগী মতুং ইন্নদি এটেক অদু ইরানগা মরী লৈনবা ইরাক ফেক্সনশিংনা চথখিবা ওইরম্বা য়াই হায়না ফোঙদোকখিবা লৈখ্রে।

ইরাক্তা মতম শাংনা দিপ্লোয় তৌদুনা লাকখিবা য়ু এস ক্রুপশিং লৌথোকপা হৌরগনি হায়না ফোঙদোকখ্রবা মতুং অমদি লৌথোকপা হৌখ্রবা মতুং এটেকশিং অসি চথবা হৌরকখিবনি। ইরানগা মরী লৈনবা ইরাক্কী ফেক্সনশিংনা মতম কয়াগী মমাংদগী লৈবাক অদুদা য়ৈখাই থিনগাইবগী থৌদোক কয়া চথদুনা লাক্লি।

য়ু এস ক্রুপশিংনা ইরাক থাদোক্তুনা চৎখিবা মতমদা লৈবাক অদুগী সেক্যুরিটিগী ফীভম তম্বা ঙমদবা ফীভম অমদা লৈ হায়না য়ু এসকী লো মেকর কয়ানা ফোঙদোকপা লৈখ্রে। অদুবু ইরাক মনুংদা থোক্লিবা ৱাথোকশিং অসি লৈবাক মনুংগী ওইবনা মরম ওইরগা নাকল অনীগী মরক্তা ৱারী শান্নরগা ৱারোইশিন পুরকপনা হেন্না ফবা খোঙথাং ওইগনি হায়বগী পান্দমদা য়ু এস ক্রুপশিং লৌথোক্লবা ফিরেপ লৌখিবনি।

অমরোমদা ইরাক্কী ফেক্সনশিংদা মতেং পাংলিবা ইরানগসু য়ু এস গভর্ণমেন্টকা নাকোয়ননা ৱারী শাবা হৌখ্রবনি। মরক অসিদা য়াম্না তোয়না এটেক চথরকপা অসিনা মরম ওইরগা তুংদা খুদোংথিবশিং থোরকপা য়াই হায়রি।

# স্বিস এম্বেসিগী ফার্ষ্ট সেক্রেটরি মশাগী বিল্ডিং এপার্টমেন্টতগী তারকপদা শিরে



দুবাই, মে ০৪ (এজেন্সী) :

ইরানদা লৈবা স্বিস এম্বেসিদা ফার্ষ্ট সেক্রেটরি ওইনা থবক তৌবী নুপী অমা মহাক মশানা লৈরিবা অৱাংবা বিল্ডিং অদুদগী তারকপগী থৌদোক্তা শিখ্রে হায়না ইমাজেন্সি সার্ভিসকী ৱাঙাঙলোয় অমনা ফোঙদোরক্লি।

থৌদোক অসিগা মরী লৈননা স্বিস ফোরেন মিনিষ্ট্রিনা ফোঙদোকখিবদা ইরানদা লৈবা স্বিস এম্বেসিগী ষ্টাফ অদু লাইবকথিবা থৌদোক অমদা লৈখিদ্রে। মহাক্না লৈখিদবদা স্বিস গভর্ণমেন্টনা অৱাবা ফোঙদোকপগা লোয়ননা লৈখিদ্রবগী ইমুং মনুংগী অৱাবদসু শরুক য়ারি হায়না ফোঙদোরক্লি।

স্বিস ফোরেন মিনিষ্ট্রিনা ইরানদা লৈবা মখোয়গী এম্বেসিগী ষ্টাফ অমা লৈখিদ্রে হায়না ফোঙদোক্লবসু লৈখিদ্রবীগী মমিং মথাদি মীয়ামদা ফোঙদোকপা লৈত্রি। অদুবু লৈখিদ্রবী অদু স্বিস এম্বেসিদি ফার্ষ্ট সেক্রেটরি ওইনা থবক তৌবী অমনি হায়বা খঙবা ঙমখ্রে।

থৌদোক অদু মতৌ করম্না থোকখিবনো হায়বদু হৌজিক ফাওবগী ওইনদি চপ চানা খঙবা ঙমদ্রি। স্বিস গভর্ণমেন্টনা থৌদোক অদুগা মরী লৈননা টেহরানদা থিজিনহন্নবা হায়জরকখ্রে হায়রি।

অমরোমদা ইরানিয়ন ইমজেন্সি সার্ভিসকী ৱাঙাঙলোয় মোষ্টাবা খালেদিনা ফোঙদোকখিবদা স্বিস দিপ্লোমেট অদুগী অশিবা হকচাং অদু গার্দেনর অমনা থেংনরকখিবনি। ঙসি অয়ুক অঙনবদা ইমপ্লোয়ী অমনা দিপ্লোমেট অদুগী এপার্টমেন্টতা চৎলুবা মতমদা মহাক মশা লৈরমখিদে। মদুগী মতুং মহাক্না লৈরিবা এপার্টমেন্ট অদুগী লৈকোল অদুদা অশিবা হকচাং ওইনা তাদুনা লৈরম্বা গার্দেনর অমনা থেংনরকখিবনি।

মহাক মতৌ করম্না বিল্ডিং অদুদগী তারকখিবনো হায়বদু হৌজিক ফাওবগী ওইনদি চপ চানা খঙবা ঙদ্রি। মশাগী চহী ৫১ রোম শুরবী দিপ্লোমেট অদু মশা মতোমতা শীজখিব্রা নৎত্রগা লৌতুনরগা হাৎখিব্রা হায়বদুগী মতাংদা থিজন্নবগীদমক অখন্নবা পুলিস টিম অমা শেমখ্রে। অথুবা মতমদা মীশি অদুগী মতাংদা চপ চাবা লংলা লংজিন অমা পুথোকপা ঙম্নবা হোৎনরগনি হায়না ইরান ওফিসলশিংনা ফোঙদোকখ্রে।


# চহী ১২ গী মথক্তা লৈবশিংদা ফাইজর ভেক্সিন কাপ্পগী অয়াবা পীরবা য়ানা লৈরে

ৱাশিংটন, মে ০৪ (এজেন্সী) :

য়ুনাইটেদ ষ্টেটতা লৈরিবা মশাগী চহী ১২ শুরবা অমদি মসিগী মথক্তা লৈরিবা নহাশিংদা ফাইজর-বাইওএন্দ টেক কোভিদ-১৯ ভেক্সিন কাপ্পদা অয়াবা পীরবা য়ানা লৈরে হায়না মীদিয়া রিপোর্টশিংনা ফোঙদোক্নরক্লি।

মশাগী চহী ১২ দগী ১৫ ফাওবগী মনুংদা লৈবা নহাশিং অমদি কা হেন্না অঙাং ওইরিবশিংদা তঙাইফদ্দনা ইমজেন্সি কেস লাকপা তারগদি ফাইজর কাপ্পগী অয়াবা মাঙজৌননা পীখিবা লৈরে। অদুবু কম্মন ওইনা চহী ১২ শুরবা অমদি মথক্তা লৈবা নহাশিংদা কোভিদ-১৯ গী ভেক্সিন কাপ্পগী ৱাফম লৈত্রি। অদুবু লায়না লাইচৎ অসিনা মীওই কয়া লেপ্পা লৈতনা শোকহল্লক্লিবা অসিগী য়েংলগা ভেক্সিন কাপনবা ফিরেপ গভর্ণমেন্টনা লৌনবা হোৎনরি। য়ু এস ফুদ এন্দ দ্রগ এদমিনিষ্ট্রেসন্না মথং চয়োলগী অঙনবদা হীরম অসিগী মতাংদা অয়াবা পীরবা য়ানবা লৈরি হায়না মশক মমিং তাকথোক্তবা হেল্থ ওফিসল অমনা ফোঙদোরক্লি। ফাইজর ভেক্সিন অসি চহী ১৬ শুরবা অমদি মথক্তা লৈরিবা নহাশিংদা কাপ্পা য়াবগী অয়াবা হান্নানা পীখ্রে। চহী ১২ গী মখাদা লৈরিবা অঙাংশিংদা ফাইজর ভেক্সিন কাপ্পদা প্রোব্লেম লৈগদ্রা নৎত্রগা লৈরোইদ্রা হায়বগী মতাংদা মখা তানা থিজিনবা হৌখ্রে। হৌজিক ওইরিবা ফীভম অসিদা কোভিদ ভেক্সিন কাপথোকপা অসি য়াম্নমক মথৌ তারি। মরম অদুনা য়ু এসতা লৈরিবা মীপুম খুদিংমক ভেক্সিনেট তৌনবা হোৎনরকখিবনি।

# খূৎলাই পায়বা মীওইশিংনা বুরকিনা ফাসোদা মীওই ৩০ নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎখ্রে



বুরকিনা ফাসো, মে ০৪ (এজেন্সী) :

বুরকিনা ফাসোগী নোংপোক থংবা শরুক্তা লৈবা খুঙ্গং অমা খূৎলাই পায়বা মীওইশিংনা মৈ থারবা মতুং মদুদগী মথৱায় হিংনবা চেন্থেরকপা মীওইশিং নোংমৈনা কাপ্পগী থৌদোক্তা য়ামদ্রবদা মীওই ৩০ শিখ্রে হায়রি।

থৌদোক অদু নিংথৌকাবা নুমিত্তা কোমানজারি প্রোভিন্সকী মনুং চন্না লৈবা কোদয়েল ভিলেজদা থোকখিবনি। নাইজরগা তাইননা লৈরিবা মফম অসিদা খূৎলাই পায়বা রেবেলশিংনা মরাল লৈজদ্রবা খুঙ্গংগী মীওই কয়া নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎপগী থবক য়াম্না তোয়না চথরি।

হীরম অসিগা মরী লৈননা বুরকিনা ফাসোগী গভর্ণমেন্ট ওফিসর লাবিদি ঔবানা ফোঙদোকখিবদা রেবেল ফাইটরশিং অদুনা খুঙ্গং অদু হান্ননা কোয়শিন্দুনা থল্লবা মতুং য়ুম য়ুমদা চঙদুনা মৈ থাখিবনি। অমদি মীওইশিং অদুবু নোংমৈনা কাপ্তুনা হাৎখিবনি। খূৎলাই পায়বা লালহৌবশিংনা গভর্ণমেন্ট ওফিসলশিংবু থিদুনা হাৎপগী থবক য়াম্না তোয়না চথরি। ঔবানা মখা তানা মফম অদুদগী মহাক খরা ঙন্না চেন্থোকহৌবনা মরম ওইরগা মথৱায় হিংবা ঙমখিবনি। লৈবাক অদুদা মীয়াম্না ঈং তপ্পা পুরকপা পাল্লি। অদুবু লালহৌবশিংনা ঙাইহাক লৈতনা অপনবা পীবনা মীয়াম তংদু লৈতানা হিংবা ঙম্নদ্রে। মফম অদুদা মখোয় অমুক হন্না চঙশিন্দুনা লৈবদা অকিবা ফাওরে হায়রি।

# ইন্দিয়া ফাওদুনা লাকপা মীওইশিং জেলদা থমগনি হায়খিবা ৱাফম হন্দোকখ্রে

সিদনি, মে ০৪ (এজেন্সী) :

ওষ্ট্রেলিয়াগী প্রাইম মিনিষ্টর স্কোট মোরিসননা মালেমগী লৈবাক কয়াদা কোভিদ-১৯ গী অনীশুবা ৱেভনা অকনবা চৈথেং পীরক্লিবা অসিগা মরী লৈননা লৌখৎখিবা চেকশিন থৌরাংশিংগী মনুং চন্না ইন্দিয়াদগী লাকপা নৎত্রগা ইন্দিয়া ফাওদুনা লাকপা মীওইশিং ওষ্ট্রেলিয়দা চঙলক্লবদি ফাইন লৌবগা লোয়ননা চহী ৫ ফাওবা জেলদা থমগনি হায়না ফোঙদোকখিবা ৱাফম অমুক হন্দোকখ্রে হায়রি।

স্পোট মোরিসনগী গভর্ণমেন্টনা মে ১৫ ফাওবা ইন্দিয়াদগী লাকপা মীওইশিং লৈবাক অদুদা চঙহন্দনবা ফিরেপ লৌখিবগা লোয়ননা চঙলক্লবদি এক্সন লৌখৎকনি হায়না ফোঙদোকখিবনি। ওষ্ট্রেলিয়ন সিটিজেন ওইরবসু ইন্দিয়াদগী লাক্লবদি চপ মান্নবা এক্সন লৌখৎকনি হায়না মীয়ামদা লাউথোকখিবনি।

হৌজিক হৌজিক ইন্দিয়া সিটিজেন ৯,০০০ রোম লৈরম্বা য়াই হায়না থাজনরি। ইন্দিয়াদা হৌখিবা চয়োল অসিদা পুং ২৪ খুদিংগী কোভিদকী অনৌবা কেস লাক্ষ ৩/৩ থেংনদুনা লাক্লি। মসিনা মরম ওইরগা ইন্দিয়াদগী লাকপা মীওইশিং ওষ্ট্রেলিয়াদা চঙহন্দনবা ফিরেপ লৌখিবনি। অদুবু গভর্ণমেন্টকী ফিরেপ অদু কা হেন্না কনবা ফিরেপনি হায়না মায়কৈ কয়াদগী ফোঙদোক্নরকপদগী গভর্ণমেন্টকী ফিরেপ হন্দোকখিবনি।

ইন্দিয়াদা লৈরিবা ওষ্ট্রেলিয়নশিং ময়ুমদা হল্লকপদা অথিংবা পীবা হায়বসি মখোয়বু হাৎপগা চপ মান্নে হায়না মোরিসন্না ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা মহাক্কী মীওইশিংনা কৈদৌনুংদা অৱাফমদা তাহল্লোই। ইন্দিয়াদা লৈরিবা ওষ্ট্রেলিয়নশিং পুথোক্লবা হোৎনরি হায়না স্কোট মোরিসননা মীয়ামদা মখা তানা ফোঙদোরক্লি।

## কোভিদ-১৯ না খ্বাইদগী হেন্না শোকহল্লবা ষ্টেটশিং

| Location | Cases | Recovered | Deaths |
|---|---|---|---|
| Maharashtra | 47,70,000+48,621 | 40,40,000+59,500 | 70,851+567 |
| Kerala | 16,60,000+26,011 | 13,10,000+19,519 | 5,450+45 |
| Karnataka | 16,50,000+44,438 | 11,90,000+20,901 | 16,250+239 |
| Uttar Pradesh | 13,40,000+29,052 | 10,40,000+38,687 | 13,447+285 |
| Tamil Nadu | 12,30,000+20,952 | 10,90,000+18,016 | 14,468+122 |
| Delhi | 12,10,000+18,043 | 11,10,000+20,293 | 17,414+448 |
| Andhra Pradesh | 11,60,000+18,972 | 10,00,000+10,227 | 8,207+71 |
| West Bengal | 8,81,000+17,501 | 7,49,000+15,937 | 11,637+98 |
| Chhattisgarh | 7,72,000+15,274 | 6,41,000+14,398 | 9,275+266 |
| Rajasthan | 6,51,000+17,296 | 4,52,000+11,949 | 4,712+154 |
| Gujarat | 6,07,000+12,820 | 4,52,000+11,999 | 7,648+140 |
| Madhya Pradesh | 6,00,000+12,062 | 5,09,000+13,408 | 5,905+93 |
| Haryana | 5,28,000+12,885 | 4,18,000+13,293 | 4,626+140 |
| Bihar | 5,09,000+11,407 | 3,99,000+13,603 | 2,821+82 |
| Odisha | 4,72,000+8,914 | 4,04,000+6,488 | 2,073+5 |
| Telangana | 4,63,000+6,876 | 3,81,000+7,432 | 2,476+59 |
| Punjab | 3,92,000+6,772 | 3,22,000+6,016 | 9,472+155 |
| Assam | 2,63,000+4,489 | 2,34,000+2,534 | 1,389+29 |
| Jharkhand | 2,51,000+6,899 | 1,89,000+5,614 | 3,073+129 |
| Uttarakhand | 1,97,000+5,403 | 1,39,000+3,451 | 2,930+128 |
| Jammu and Kashmir | 1,87,000+3,733 | 1,50,000+1,536 | 2,421+51 |
| Himachal Pradesh | 1,07,000+2,630 | 83,721+1,526 | 1,612+43 |
| Goa | 98,088+2,703 | 70,929+1,425 | 1,320+46 |
| Puducherry | 62,160+799 | 50,698+790 | 848+15 |
| Chandigarh | 45,196+890 | 36,746+528 | 507+11 |
| Tripura | 35,994+271 | 33,869+87 | 400+1 |
| Manipur | 32,523+362 | 30,030+107 | 422+7 |
| Arunachal Pradesh | 18,958+220 | 17,363+90 | 59 |
| Meghalaya | 17,675+246 | 15,606+177 | 185+6 |
| Nagaland | 14,451+101 | 12,752+40 | 115+6 |
| Ladakh | 14,315+89 | 12,884+149 | 148+3 |

# টালিবাননা এটেক তোয়না চথরবসু য়ু এস ক্রুপশিং লৌথোকপগী মতাংদা ফিরেপ হোংবা লৈতে



ৱাশিংটন, মে ০৪ (এজেন্সী) :

হৌখিবা থা খরা অসিদা অফঘানদা টালিবাননা য়াম্না তোয়না এটেক চথুরি। টালিবানদা চথুরিবা এটেকশিং অসিনা মরম ওইরগা অফঘানদগী য়ু এস ক্রুপশিং লৌথোকপগী থবক তৌরিবা অসিদা অহোংবা লৈরোই হায়না পেন্টাগোনগী প্রেস সেক্রেটরি জোন কিরবিনা ফোঙদোরক্লি।

হৌখিবা থাংজ নুমিত্তগী য়ু এসনা ওফিসল ওইনা মখোয়গী ক্রুপশিং অফঘানদগী লৌথোকপা হৌখ্রবনি। অফঘানগী শরুক খরদা টালিবাননা চথুরিবা অপিকপা এটেকশিং অসি য়ু এসনা লুম্না লৌদে। অমদি টালিবাননা চথুরিবা এটেক অসি য়ু এস সিটিজেনশিংগী নৎত্রগা য়ু এসকী লনথুমদা টার্গেট তৌরগা চথবা নত্তবনিনা য়ু এসনা মখোয়গী ফিরেপতা অহোংবা লৈরোই।

য়ু এস প্রসিদেন্ট জো বাইদেননা মমাং থাগী ১৩ দা অফঘানিষ্টানদা দিপ্লোয় তৌদুনা লৈরিবা য়ু এস ক্রুপশিং সেপ্তম্বর ১১ ফাওবগী মনুংদা লৌথোক্কনি হায়না ফোঙদোকখিবনি। য়ু এসনা মখোয়গী ক্রুপশিং অফঘানিষ্টানদগী লৌথোক্লবা ফিরেপ লৌখ্রবা মতুং নেটোনসু অফঘানদা দিপ্লোয় তৌদুনা থল্লিবা মখোয়গী ক্রুপশিং লৌথোক্লবা ফিরেপ লৌখ্রবনি।

অফঘান মনুংগী ওইবা উংখৎনবশিংনা মরম ওইরগা লৈবাক অদুগী মীয়ামদা চৈথেং কয়া পীরি। চহী অসিগী হৌগৎলকপদগী হৌজিক ফাওবদা য়ু এসনা বেক তৌবা অফঘান গভর্ণমেন্ট ফোর্স অমদি টালিবান ফাইটরশিংগা খূৎ থোক্লবগী থৌদোক্তা মীচম ৫৭৩ শিহনখ্রে। অদুগা ১,২১০ না অশোক অপন নংহনখ্রে হায়রি।

# চহী অমরোম সস্পেন্দ তৌদুনা থম্লুরবা সব ৱে সার্ভিসশিং অমুক হন্না রিজ্যুম তৌরগনি

ন্যু য়োর্ক, মে ০৪ (এজেন্সী) :

কোভিদ-১৯ না মরম ওইরগা মমাং চহীগী মে থাদগী ন্যু য়োর্কতা সব ৱে সার্ভিসশিং সস্পেন্দ তৌদুনা থম্লকখিবা অদু হান্নগুম্না অমুক মথৌ তৌহল্লগনি হায়না ন্যু য়োর্ককী গভর্ণর এনদ্রিয়ু কৌমোনা ফোঙদোরক্লি।

মমাং চহীদা কোভিদ-১৯ লায়না লাইচৎনা খ্বাইদগী হেন্না চৈথেং পীখিবা লৈবাক অসি য়ুনাইটেদ ষ্টেটনা ওইখি। য়ু এসকী ওইনসু ন্যু য়োর্কতা কোভিদ-১৯ গী ইপিসেন্তর ওইখি। মদুনা মরম ওইরগা সব ৱে সার্ভিসশিং য়াওনা অতোপ্পা সার্ভিস কয়া থিংজিন্দুনা লাকখি। অদুবু মতমগী মতুং ইন্না থিংজিন্দুনা লাকখিবা সার্ভিস কয়া মথৌ তৌবা হৌহনখ্রবসু সব ৱে সার্ভসতি মখা তানা অদুমক থিংজিন্দুনা লাকখিবনি।

গভর্ণর এনদ্রিয়ুনা ফোঙদোকখিবদা সব ৱে সার্ভিস হান্নগুম্না পুং ২৪ মথৌ তৌনবা অয়াবা পীখ্রবসু অনৌবা চৎনা কাঙলোন খরদি মীয়াম্না ঙাক্লা চৎকদবনি। লল্লোন ইতিক তৌরিবা মীওই কয়ানা য়ামদ্রবদা ফুট ৬ কী দিষ্টেন্স থমগদবনি। ফেদরেল সেন্তর ফোর দিজিজ কন্ত্রোল এন্দ প্রিভেন্সনন্না শেমখিবা চৎনা কাঙলোনশিং মীয়াম্না ঙাক্লা চৎকদবনি।

ন্যু য়োর্কতা কোভিদ-১৯ পোজিটিভ ওইবগী চাং হন্থরকপনা মরম ওইরগা সব ৱে সার্ভিসশিং অমুক রিজ্যুম তৌনবা ফিরেপ লৌখিবনি। মমাং চহীগী নবেম্বর থাদগী ন্যু য়োর্কতা কোভিদ-১৯ গী কেস তপ্না তপ্না মশীং হন্থরক্লি।

# ত্রেন গুরুং চৎপগী থৌদোক্তা মীওই ১৩ শিরে, ৭০ হেন্না অশোক অপন নংখ্রে

মেক্সিকো, মে ০৪ (এজেন্সী) :

হৌখিবা নিংথৌকাবা নুমিৎকী নুমিদাংদা মেক্সিকো সিটিদা মেট্রো ত্রেন অমা গুরুং চৎপগী থৌদোক্তা মীওই ১৩ শিখ্রে অদুগা ৭০ হেন্না অশোক অপন নংহনখ্রে হায়না মেক্সিকো সিটি ওথোরিটিনা ফোঙদোরক্লি।

খোঙজেল য়াঙনা লাকখিবা মেট্রো ত্রেন অদু খঙহৌদনা লম্বীদা গুরুং চৎখিবনি। গুরুং চৎপগী থৌদোক অদুদা রেলৱে ট্রেক অদুগী মনাক নক্লা খামদুনা লৈরম্বা কার খরসু অমাং অতা থোকহনখি।

থৌদোক অদু থোকপগী পাউ হেক ফংবগা ফাইয়র ফাইটরশিংনা মফমদুদা চঙশিন্দুনা মী কনবগী থবক চথুখি। ফয়র ফাইটরশিং অদুনা অহানবগী ওইনা মীওই ১৩ শিরে অদুগা ৭০ না শোক্লে হায়না ফোঙদোরকখিবনি। শোক্লবা মীওইশিং অদু মনাক নক্লা লৈবা হোস্পিটালশিংদা পুখত্তুনা লায়কন্নখ্রে। অশোকপগীশিংগী মনুংদা মীওই ১৩ গী ফীভমদি লুবনা মরম ওইরগা আই সী য়ুদা থমখ্রে হায়রি।

# ইজিপ্তুনা ফ্রান্সতগী দোল্লর বিল্লিয়ন ৪.৫ লোমগী ওইগদবা রাফেল ফাইটর জেটশিং লৈগদৌরি

কাইরু, মে ০৪ (এজেন্সী) :

ইজিপ্তুনা ফ্রান্সতগী রাফেল ফাইটর জেট ৩০ লৈনবা কন্ত্রেক অমা সাইন তৌনখ্রে হায়না ইজিপ্তকী দিফেন্স মিনিষ্ট্রিনা ঙসি মীয়াম মমাংদা ফোঙদোকখিবগা লোয়ননা ফাইটর জেটশিং অদু দোল্লর বিল্লিয়ন ৪.৫ পীদুনা লৈগদবনি হায়রি।

মমাং চহীগী দিসেম্বর থাদা ফ্রান্সকী প্রসিদেন্ট ইমান্যুএল মেক্রোননা ইজিপ্তুতা ফাইটর জেটশিং য়োল্লবসু কন্দিসন অমগী মখাদা য়োনগনি হায়না ফোঙদোকখি। ইজিপ্তুনা হুইমেন রাইটসপু ঈকায়খুম্নবা উৎলবা অমদি লৈবাক অদুদা য়ৈখাই থিনগাইবগী থবক চথরোই হায়বগী কম্মিটমেন্ট পীরবা মতমদা রাফেল ফাইটর জেটশিং ইজিপ্তুনা লৈবা য়াগনি হায়না ফোঙদোকখি।

অমরোমদা ইজিপ্তকী দিফেন্স মিনিষ্ট্রিনা ফোঙদোকখিবদা লৈবাক অনীগী মরক্তা ফাইটর জেটশিং লৈবা য়োনবগী মতাংদা য়ানবা পুরকখ্রে। ইজিপ্তুনা দোল্লর বিল্লিয়ন ৪.৫ কী শেনফম অদু অমুক্তদা ফ্রান্সতা পীগদবা নত্তে। লোনগী খুথাংদা ফাইটর জেটশিং অদু লৈগদৌরিবনি। চহী ১০ ফাওবগী মনুংদা হায়রিবা শেনফম অদু ফ্রান্সতা ইজিপ্তুনা পীখৎপা হায়না য়ানখিবনি।

ফ্রান্সতগী লৈবাক কয়ানা ফাইটর জেটশিং লৈরি। কাটার অমসুং ইন্দিয়ানসু ফ্রান্সকা রাফেল ফাইটর জেটশিং লৈবা য়োনবগী মতাংদা য়ানবা পুরকপা লৈখ্রে। হৌখিবা কুমজা ২০১৩-২০১৭ ফাওবা ফ্রান্সনা ইজিপ্তুতা খূৎশু খূৎলাই কয়া সপ্লাই তৌখি। হায়রিবা মতম অসিদা ইজিপ্তুনা ফ্রান্সতগী ৱার প্লেন ২৪ সু লৈখি।



অমরোমদা ফ্রান্স দিপ্লোমেট অমনা ফোঙদোরকখিবগী মতুং ইন্না করিগুম্বা ইজিপ্তুনা য়ানখিবশিং অদু থবক্তা ওন্থোরক্তবদি মখা তানা ইজিপ্তকা ফ্রান্সকা মরী থদৎনগনি। ইজিপ্তুনা মতম চুপ্পদা য়ৈখাই থিনগাইবগী থবকশিং লৈবাক অদুদা চথদুনা লাক্লি। হায়নখিবা মতম য়ৌদ্রিঙৈদা ইজিপ্তুনা লৈবাক অদুদা ভাইওলেন্সকী ওইবা থবক থৌওংশিং চথরক্লবদি খুদক্তা য়ানখিবশিং অদু কেন্সেল তৌগনি।

ফ্রান্সনা লৈবাক লৈবাকশিংদা খূৎশু খূৎলাই য়োল্লিবা অসি মশাগী সেক্যুরিটি ওইনবা য়োনবনি। খূৎলাইশিং অদু শীজিন্নদুনা মরাল লৈজদবা মীওইশিংদা ওৎ নৈবা য়ারোই হায়না ফ্রান্স দিপ্লোমেট অসিনা মখা তানা ফোঙদোরকখি।